# অহানবা খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা নীংশিং থৌরম অমসুং অই-চেরোল নৈনবা

**ফাইরেম্বম ইনাও**

**হৌখিবা** মে ২৯, ২০১৬ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা অহানবা খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা নীংশিং থৌরম অমসুং অইবা চেরোল নৈনবা মোইরাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা ক্লাক্তা লমনুংশিদা ঈংনা চিক্লা পাঙথোকখি। অহানবদা মোইরাং অমসুং মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা পানখিবা ঈৰাং পুরিল্লাই খেল্লে নুংনাং তেলহৈবেনা কোনুং ওইরম্বা ক্লাক্তা কোনুংদা ইবুধৌ থাংজিং মশাইকোনগী অমাইবা অমাইবীশিংগা লোয়ননা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈরাৎ থৌনিরোল চথুখি। মতুং তারকপদা ক্লাক্তা কম্যুনিতি হোলদা অইবা চেরোল নৈনবা শমথখি। চীং লেল্লবা থৌরম অদুদা ইকায়খুম্নজরিবা ক্লাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন, এম দি মাহেরুদিন (নাহায়াই), হান্নগী মোইরাং কেন্দ্রগী এম এল এ সলাম গোপাল সিংহ, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন, ইম্ফালগী হান্নগী মেম্বর এন জি নোংয়াই অমসুং ডা. কে সুশিলা দেবীনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অথোইবা লেংবীরকপশিং ওইনা ফম্ফমলাংদা লেংশিল্লবা মতুংদা থৌরম হৌদোক মৈরা চুখৎখি।

ঈৰাং পুরিল্লাই (মোইরাং নিংথৌ) খেল্লে নুংনাং তেলহৈবগী মতিক মঙালদা যূম্ফম ওইবা শৈথা ঈশৈ অমা শক্লাইরবী আর্টিষ্ট অমনা নিংথিনা, নুংশিনা খুদোল তল্লমখি। অদুগা হিষ্টরিকেল হেরিটেজ দিভলপমেন্ট এসোসিএশন, মোইরাংগী সেক্রেটরি অমসুং পুৰারীগী খোঙ্গুল লীবা লূপ ইম্ফালগী প্রসিদেন্টনা মথং-মথং তরাম-তরাম ওকপা ৱারোল অমসুং নুংগী ৱারোল মরীক চুম্না পীখি। থৌরমগী মখা চথুরকপা ওইনা অথোইবা লেংবিরকপশিং, অথোইবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপুনা ঈৰাং পুরিল্লাই অসিগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা ইকায়খুম্নজরিবা ক্লাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন এম দি মাহেরুদিন্না হায়খি, 'ক্লাক্তা নামিবা নুংশিৎ পল্লন্লিবসি (মণিপুরী খোরিরোলদা) ক্লাক্তা মণিপুর পুৰারীগী মরু ওইবা মফমনি।' অদুগা অথোইবা লেংবীরকপগী ৱারোলদা ডা. কে সুশিলা, আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টরনা ঙল্লিঙৈ মতমগী ক্লাক্তা কোনুং অসি হিষ্টরিকেল সাইদ অমা ওইনবা হোৎনগনি হায়খি।

মসিগা ইরোইননা অই-চেরোল নৈননবা শেম শাবা হৌখি। ইকায়খুম্নজরিবা ও কুমার, রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল, দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্স, ইম্ফালবু ৱাতেম্বীনবগীদমক দাইজদা কৌখৎখি। ইকায়খুম্ন জরিবা ডা. মোইরাংথেম রঞ্জনা লেকচরর, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, কোংবনা মাগী অই-চেরোল 'মণিপুরগী পুৰারীদা খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা' পাথোকখি। মসিনা অই-চেরোল নৈনবগী অহানবা পেপর ওইখি।

ডা. রঞ্জনানা হায়খি, খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা, মৈতৈশিংনা খেল্লেম্বা হায়না খঙনবা ঈৰাং পুরিল্লাই অসি কুমজা ১৭৪৬ তগী কুমজা ১৭৬৭ ফাওবা মোইরাংগী নিংথৌ ওইখিবা ৪১ শুবা নিংথৌনি। কুমজা ১৭৬৪ দগী কুমজা ১৭৬৭ ফাওবদি মণিপুর অপূম্বগী নিংথৌসু ওইরম্মী।... মতিক-মথৌনা লৈবা মরৈবাক-মজাতিবু নুংশিবা নিংথৌ অমনি। মৈদিংঙু পামহৈবনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরিঙৈদা ফম্নাইবা ওইনা শা-লান অমদি ৱায়েল-থৌদাদা য়ারকপনা মোইরাংগী নিংথৌ ওইনা লৈরবা মতমদসু লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা য়েংদুনা লৈবা ঙমদবা মীয়ামগী য়াইফনবা খনখিবা নিংথৌ অমা ওইখি। চহী খরদমক নিংথৌ ওইজরবসু লৈবাক্কীদমক মীয়ামগীদমক লম্বী-থোং, কৈথেলনচিংবা শেমগৎ-শাগৎতুনা লৈবাক্কী নুংঙাইনবা তৌবিরম্বা নিংথৌনি।

অনীশুবা পেপরদা নোদিয়া ঙাংঙোইমচা, শক্লাইরবা মোইরাংগী অইবা অসিনসু মাগী অই-চেরোল 'খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা অমসুং মৈদিংঙু নিংথৌশিংগা লৈনবা মরী' নিংথিনা তিল্লিবা মীয়ামদা পাথোকখি। শক্লাইরবা অইবা অসিনা ঈৰাং পুরিল্লাই (মোইরাং নিংথৌ) খেল্লে নুংনাং তেলহৈবগা মৈদিংঙু (মৈতৈ নিংথৌ) শিংগা লৈনবা মরী চিংথোক্তুনা ফোংদোক্লেবা হোৎনখি।

ওজা নোদিয়া ঙাংঙোইমচানা খেল্লে নুংনাং তেলহৈবগী মীতম য়েক্ল বসু হোৎনৈ। মহাক্লা মাগী অই-চেরোলদা অসুম্না হায় 'অঙনবা মতমগী মণিপুর পুৰারী শুবা অমদি পুৰারীগী থৌদোক ৱারীশিংবু শৈশক শৈথাবা ওজাশিং অয়াম্বনা কুমজা ১৭৪৩ দগী ১৭৬৮ ফাওবা পানখিবা মোইরাং নিংথৌ খেল্লে নুংনাং তেলহৈববু পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ চীংথংখোম্বা (ভৈগ্যচন্দ্র) গী অচৌবা য়েক্লবা মীশক অমা ওইনা মশক তাকই। মখোয়না মহাকপু তমথীবা মীশক অমা ওইনা মশক তাকচরবসু পুরিল্লাই খেল্লেদি মৈদিংঙু নিংথৌশিংগী য়েক্লবা খক ওইখিদে, মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ/ময়াম্বনা পানবা মতমদগী ভৈগ্যচন্দ্রনা পানবা মতম ফাওবদা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌশিংগা নুংশি চান্ননা লোইনমিন্নরকপা মৈতৈ অমসুং মোইরাং লৈবাক অনীগী মপী-মপা শকপা মোইরাং নিংথৌ অমনি।' মখা তানা হায়, 'পোইরৈ নিংথৌ গরিবনিৱাজনা থেংনখিবা লানফমশিংদা পুরিল্লাই খেল্লেনা লান পাঙদুনা তুয়াই, লাংনুং অমসুং তখেল চাইনুনচিংবা লমদমবু লোই চনবা ঙমখি। ... পুরিল্লাই খেল্লেনা মচানুপী ঈৰাংলোন শমজমনিবু ঔৱা নিংথৌদা লুহোংদুনা থাজরগা খুন্তাক্লুরবা মোইরাং লৈবাকপু অমুক নৌনা লৈরিং খুল্লিংদুনা পানখিবগা লোয়ননা পোইরৈ মৈতৈ লৈবাকপুসু খুনলেপ খুনলিংখি।

শক্লাইরবা অইবা নাউরোইবম ইন্দ্রমনিনা অহুমশুবা অই-চেরোল 'কুমজা ১৭৬৪ গী অৱা লান্দা খেল্লে নুংনাং তেলহৈবনা লৌখিবা থৌদাং' মরীক চুম্না পাথোকখি। শক্লাইরবা অইবসিনা থৌরমদুদা তাক্লমই- মণিপুরগী পুৰারীদি শা-লানগী পুৰারীনি। মণিপুরগী চহী লিশীং অনীরোমগী শাংলবা পুৰারীগী ঈচেলদা মণিপুরগা যূমথংননা লৈরিবা অচৌবা মীশিং য়াম্বা লৈবাকশিং মরু ওইনা নোংপোক লমদা লৈরিবা মৈতৈনা অৱা লৈবাক কৌরম্বা হৌজিক্লা ম্যান্মার হায়না মমিং ওনখ্রবা, হান্না বর্মা কৌরম্বা লৈবাক অমদি নোংচুপ মায়কৈ যূমথংননা লৈরিবা কছাড়, হান্না মৈতৈনা তখেল লৈবাক কৌরম্বা হৌজিক্লা ত্রিপুরা হায়না খঙনরবা হায়রিবা মপাঙ্গল কনবা মীশিং য়াম্বা লৈবাকশিং অসিনা মণিপুর পুৰারীগী তাঙ্কক কয়াদা হৌজ-থেঙ্খাং কয়ারক্তা মণিপুরদা হন্না হন্না লান দারক্তুনা লমদমসিদা লানগী অৱা মৈশা লাংহনখি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগা চারৌ মৌরৌনদুনা মরুপ-মপাং ওইবগী অফবা মরী লৈনখিবগী মতমসু লৈখিদবদি নত্তে অদুবু য়েক্লবা ওইবগী মতম্না হেন্না শাংখি।

মখা তানা শক্লাইরবা অইবা এন ইন্দ্রমনিনা ফোঙদোকখি, 'মোইরাং নিংথৌ ইৰাং পুরিল্লাই খেল্লে নুংনাং তেলহৈবনা কুমজা ১৭৬৪ দা ভৈগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওইবা মতমদা অৱা তোংদোই নিংথৌ খামরন লৈবাক লৈমাবনা মণিপুরদা লান তারক্তুনা অৱা লানগায় নংদুনা লৈবাক মীয়াম পূম্বা অৱা লান্মীগী মীওৎ-মীনৈ, হাৎপা-তুপ্পা কয়াবু কিবদগী চীং-মান কাদুনা, লোক-তাই চঙদুনা, নাপী মোংশোং থিদুনা লোৎপা, চানিংঙাই-থকনিংঙাই ফংদবদগী চরাম-চদৎননা অৱা মৈচাক খাঙনবা, য়াইবী মথৱায় থানবা, অঙম্বা চীংমায় কাদুনা চীংগী হাওখুল কয়াদা চঙজফম লৌদুনা চানিংঙাই থক্নিংঙাই লৈতনা ৱানা লেন্নবা কয়াদগী কোক্লবা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অসিনা মীনুংশি খঙদ্রবা অৱা লান্মীশিংবু মরমদমদা হলহনখিদুনা লৈবাক মীয়ামগী খম থেংনা অৱাবা অমদি খুদোংথিবা কয়াদগী কনবা ঙমখিবা অসিমক মণিপুর পুৰারীদা মোইরাং নিংথৌ খেল্লে নুংনাংগী অচৌবা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাংনি হায়না লৌফম থোকই।

অরোইবা অই-চেরোল নৈনবা অসিদা শক্লাইরবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি, ইম্ফালগী হান্নগী অর্কাইভিষ্ট এল অশোক কুমারনা ঈংনা তপ্পা মাগী পেপর 'মোইরাং সলাইগী পুৰারী অমসুং খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা' পাথোকখি। মাগী ৱারোলদা পোইরৈ মৈত্রবাক (মণিপুর) তা লৈরিবা য়েক তরেৎ, সলাই মাপন হায়বদি অঙোম, মঙাঙ, নিংথৌজা, খুমন, লুৱাং, খাবা-ঙানবা, চেংলৈ-শরাং, লৈশাং অমসুং মোইরাং সলাইশিং অসিগী মাগী-মাগী হৌরকফম পুৰারী চাউনা লৈ। পোইরৈ মৈত্রবাক্তা য়েক-সলাই খাইদ্রিঙৈদা য়েক তরেৎ, সলাই মাপন অসিগী চাদা-নাওদাশিং অসিগী মাগী-মাগী মান্নবা ফুরুপ কাঙলুপ লীংদুনা কৌব্রু, থাংজিং, লাঙ্গোল, হেবোক, থাঙ্গা, সেল্লোই লংমাইচীং, নোংপোক লৈহৌচীং, হনচীং, লাংজিং, চীংঙা, পীশুম, ললাম্বুং চীং, মহৌ ফাইবোক চীং, লোইজিং, ফোইচীং, চীংফু, চীংথাং অসিনচিংবা চীংশিং অসিদা খুনদারম্বা অদুসু শক্লাইরবা ফোর্মর অর্কাইভিষ্ট এল অশোক কুমারনা মাগী পেপরদা ময়েক শেংনা পল্লম্মী। থেংলবসু থেংনা নুমিদাংৱাইরমগী পুংফম ফাওবা অই-চেরোল মরিমক রিছোর্স পার্সনশিংনা শরক-শিদনা মথং-মথং মরীক চুম্না পাথোক্তুনা অমদি খন্ন-নৈনদুনা 'অহানবা খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা নীংশিং থৌরম অমসুং অই-চেরোল নৈনবা' থুপচিনখি।

# আই এল পি এস বিল পাস তৌনবা ঈহৌ শারিঙৈদা য়েহৌরসি

**মোইরাংথেম নরান**

**মণিপুর** মতম অমদা নীংখা তম্না পাল্লম্মী হায়বা ৱাহৈ অসি ঐখোয় ইশেল মরক্তা তোইনা ঙাঙনবা থেংনৈ। লাইওইরবা ইপা-ইপুশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী পান্দম অমসুং মথৌনাতনা মণিপুর ঙসি ফাওবা তেক্তা-কাইদনা লৈরল্লিবা নৎত্রা? হৌজিক্লা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতমদনা মতমদুগী থৌনা অমসুং লিংজেল মাঙখ্রিবনা করিগীনো? মদুগী মরমসু লৈফম থোকই। ঙসি লৈবাক্কী থৌপুবা অমসুং ঙাকপদা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরগা অচৌবা ফুরুপ ওইরিবা মৈতৈ/মীতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা ঙাকপী-শেনবিনবা প্রোভিজন অমা ফাওবা হাপ্পীখিদনা ইন্দিয়াগী মীশিং ক্রোর ১২৪ গী মরক্তা অৱাংবা ফুরুপনি হায়না লৈরুবদগী নৎত্রা? অদুগা ফুরুপ মচা ত্রাইবেলশিংগীদি প্রোভিজন হাপ্তুনা তেক্ত-কায়দনা অমদি হেন্না মশা মরেং শন্দোক্তুনা মশোং কাবা হেনগৎলক্লিবা, মেজর ইন্দিজিনসনি হায়রিবা অসিনা চহী লিশীং অনী হেনবা পুৰারী শেমদুনা ঙাক-শেন্দুনা, ঙসি মণিপুর হায়না কৌরিবা চীংলৈবাক মচা অসি হিংদুনা লৈরম্বদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অসিবু পুনশিনবা ফংলিবা নৎত্রা? অদু নৎত্রবদি অতোপ্পা লৈবাক, ম্যান্মার নৎত্রগা চিনানা খোপচিল্লম্বসু য়াই নৎত্রগা নুংশিজরবা নাগাগী অমসুং কুকিগী কাঙলুপ্তা লৈবিরিবা ইচিন-ইনাওশিংনা লৈবাক অসিদা লৈদুনা নুংঙাইনা হিংবা ফংলমদবসু য়াই। ইচম চম্না লৈবাক অসি তেক্ত-কায়দনা লৈরম্বা নত্তে, ইপা-ইপুশিংগী থৌনা অমসুং ঈখেংগী মমলগা মন্তিক্লখিবনি। মসিদা মুন্না খন্থবা তারবদি মৈতৈ/মীতৈ (ফুরুপ অচৌবা) অসিবু নুংশিনা ইকায় খুম্নফম থোকপরা খল্লি।

ঙসিদি মণিপুরগী মনুংদা মেজর ইন্দিজিনসনি হায়না লৈরিবা অসিদা শক-চু মান্নবা ত্রাইবেল (মোঙ্গোলোইদ) কাঙবুনসু, লাইনীং তিন্নবা হিন্দু কাঙবুনসু, রাজনিতি তিন্নবা ইন্দিয়াগী ফুরুপশিংনসু, ঐখোয়গী ফুরুপ অসিদা মিশৌ চঙলে সনিগী দৃষ্টিগুম য়েংশিল্লকপদগী ফুরুপ অসি মরুদা শীংজংনা য়াল্লবা মশা মরেং ককথৎপীরবা হার হাপ্পীদ্রবা পাম্বীগুম শিরুম-নারুম তৌরকপা মহৈ-মরোং চুমলক্তবা হৈ পাম্বীগুমলে হায়বা য়াই। লমদম অসিনা মুৎলবা অমদি শিরবা মতমদা ইন্দিয়াগী মনুংদা শান্নবদা, কলচর (জগোয়, দ্রামা, লীলা, সিনেমা) দা মমিং চৎতুনা ইন্দিয়াগী মনুংদা অমদি মপান্দা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরক্লিবা ফুরুপ অসিনা মাঙলবদি ইন্দিয়াগীসু মাঙজবা অমা ওইরোইদ্রা? শিথরকপগী মরু ওইবা মরমদি হিংনবা মচাকশিং- মহৈ-মশীন, থবক চঙবদা, মশাগী লম ঙাকশেন্নবা পাম্বে অমতা কন্সটিট্যুশন্দা হাপ্পীদবসিনি। মরমসিনা ফুরুপসিবু, মণিপুরবু ঙাক শেন্নবগী মরু ওইবা পাম্বেদি আই এল পি এস চৎনহন্দুনা ঙাক শেনবনা ওইগনি হায়বা য়াই। আই এল পি এস অসি নৌনা চৎনজগে হায়বসু নত্তে, মিজোরাম, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশকুম চৎনরম্বদগী কুমজা ১৯৫০ গী নবেম্বর ১৮ দা মতমদুগী চীফ কম্মিস্নর হিমৎ সিংহনা লৌথোকখিবনি। মতমদুদগী হেনগৎফম থোক্তনা মীশিং হেনগৎলকপদগী মীতোপ্পা শরুক অহুম থোকপগী অমা ওইরকখিবনি। আই এল পি এস, মণিপুর মীয়ামগীদমক্লি। অসিগুম্বা মণিপুর মীয়ামগী ঙাক্লৌ ওইগদবা বিল অসিবু মথৌ নত্তনা মথৌ শাদুনা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর, মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর অনীনা মণিপুরদা আই এল পি এস চৎনফম থোক্তে হায়খিবা নুংগী করি ৱাখলনো? মখোয়গী লমদদি চত্তব্রা? মখোয়গা চপ মান্ননা চৎনরল্লিবনি। অদুবু মতমদুগী চীফ কম্মিস্নর হিমৎ সিংহনা কুমজা ১৯৫০ গী নবেম্বর ১৮ দা লৌথোকখিবা অদু অমুক হন্না চৎচরগে হায়বতনি, নৌনা দিমান্দ তৌবসু নত্তে।

মরম অসিনা আই এল পি এসকী বিল পাস তৌনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূম্নমক নুংশিননা পুকচেল খোইজেল তিন্ননা লীদরসিপ থমদুনা চঙশিনসি। অদু নত্তদুনা অমনা ঙাঙ অমনা তাদবা, লীদরসিপ অমদি মীংচৎকীদমক্তা অনী থোকপী, অহুম থোকপী চৎনবীসি থাদোক্লসি। মরম অদুনা আই এল পি এসতা নত্তনা মরম চাবা দিমান্দবু ওইরবদি পূন্না পূন্না চঙশিনমিন্নসি নৎত্রবদি থবক খুদিংমক অমতা পন্থুংফম য়ৌদনা মহৈ লোকপা ঙমলোইদ্রা হায়বসিনি। মীশিং য়াম্মী হায়রিবা ঐখোয়গী ফুরুপ অসি য়াম্না লুবা ফীভম অমদা লৈরে, ফুরুপ অসিগা শক মান্নবা (মোঙ্গোলোইদ) কাঙবু, লাইনীং তিন্নবা অর্য্যান (হিন্দু) কাঙবু অমদি রাজনিতি তিন্নবা কাঙবু ময়ামনিনা ঐখোয়গী মায়কৈদা লেপ্পীনবা অমত্তা লৈতবগুম তৌরি। ফুরুপ অসিনা লিদ তৌদুনা পায়খৎপা থবক খুদিংদা মতেং পীদবা, অয়েৎপা কয়া পীবা য়াওদবা নত্তে। মসি লাইরিক হৈরবা, তুংগী যূম্বী ওইগদৌরিবা নহারোলশিংনা ৱাখল খন্থগদবনি। শিথরক্লিবা ফুরুপ অসি কন্নবা হোৎনদবা য়াদবা মতাং অমা য়ৌরবনি। মণিপুরগী চীংগী ইচিন ইনাওশিংনসু অচৌবা ফুরুপ অসিদা ৱারৌবগুম তৌরিবা অসি মুন্না খন্থরবদি ৱারৌফম থোক্তব্রা খল্লি। তাঙ্খুল, অনাল, কবুই, চিন-কুকি কাঙলুপশিং অসি চীংদগী কুমথরক্লগা মৈতৈ ওনখিবা, মৈতৈনা তাঙ্খুল, কবুই অমদি চীংমী কয়া ওনখিবগী ৱারী লাইরিক কয়াদা য়াওবা থেংনরি। মরম অসিনা মরমবু চারবদি তম্মীনা হৌদোকপা থবক্তা চীংমীনা মতেং পাঙবা, অদুগা চীংমীনা হৌদোকপা থবক্তা মরমবু চারবদি তম্মীনা মতেং পাঙনরবদি অপূনবা মণিপুর অমা ওইনা চাওখৎপা পুরক্কনি থাজে।

মরম অসিনা তম্মী য়েলহৌমী অসিবু মশাগী নাৎ চাওখৎনবা হোৎনবদা ফুরুপ খুদিংনা (য়ৈখাই থিনগাই য়াওদনা) মতেং পীফম থোকই। করিগুম্বা মতমদা ফুরুপ মচাশিং অসিনা খৎন-চৈনবা য়াওরক্লবা মতমদা অচৌবা ফুরুপ অসিনা মতেং পীদুনা লাকই, কুমজা ১৯৯৩ গী নাগা কুকিগী লাল থোকপা মতমদা নাগা অমসুং কুকি চঙজফম পীখিবা নীংশিংবিরমগনি।

লৈবাক্কী ৱায়েল চুপলি পায়রিবা নিংথৌ অমসুং পোলিটিকেল লীদরশিংনা হিমাই চুম্বদা শোয়রগা লৈবাক অৱাবা তাই। লৈবাক্কী ৱায়েল চুপলি পায়খিবা নিংথৌ নৎত্রগা পোলিটিকেলগী ৱিল অসি লৈবাক্কী ওইরিবনি। খজিক্তং শোয়খিবদা লৈবাক কাংখোং চাইবা ওইগদৌরিবনি। খুদম খরা পঞ্জরবদা

১) চীংথংখোম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী থোইনা ৱাথোক লৈখিদ্রবসু, মাগী তোঙান তোঙানবা লৈমশিংনা পোকপা মচাশিংনা নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবদগী লবন্যচন্দ্রবু মধুচন্দ্রনা হাৎখিবা, মধুচন্দ্রবু চৌরজিৎনা মথং মথং হাৎখিবা মদুদগী মণিপুর লৈবাক কাং-খোং চাইদুনা কুমজা ১৮১৯ দা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোক্তুনা তম্পাক্তা লৈবা অয়াম্বা হিংনবগীদমক্তা কছাড়, ত্রিপুরা, বংলাদেশতা চেনখিবা, খরা অমনা খুবাক্তা, মনাদা য়াইরিনা লেংদুনা ষণ শল্লুপ হোইবদৌনা লানফা ওইদুনা পুখিদুনা খরনা মখোয়গী তালোই, খরনা মীনাই ওইহন্দুনা অৱানা ওৎ নৈখিবা ঙসি ফাওবা মৈ মুৎত্রি হায়বা য়াই।

২) মথংদা মথক্কী অসিগা হাইরপ মান্ননা কুমজা ১৮৮১ দা ব্রিটিশনা লান্দারক্তুনা এঙ্গলো-মণিপুর ৱার থোক্তুনা মণিপুর ব্রিটিশকী মখা পোনখিবা, ঙসি ফাওবা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৩ অমসুং এপ্রিল ২৩ নীংশিংনরিবা।

৩) লৈবাক্কী চুপলি পায়রিবশিংনা শোয়খিবদগী তুংগী মীরোলনা অৱাবা নংখিবা অসিনসু লোইবা নৎত্রি। ব্রিটিশনা কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট তাং ৪ দা মণিপুর নীংতম্বা শিন্নরম্মী। অৱাবদি হৈ হেকপদি লাই, খুনবদি লুই হায়নবা লৈ। ৱানা ফংজবা নীংতম্বা মণিপুর নিংথৌ লৈঙাক পামদে হায়দুনা ইন্দিয়াদা পূন্নবা অন্দলোন তৌখি। মদুগী মহয়না মমৈদা মহারাজ বোধচন্দ্র শিল্লোংদা সেপ্টেম্বরগী তাং ২১, ১৯৪৯ দা মশানা খূৎয়েক পীখি। (অদুগা কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্তোবর তাং ১৫ দা ইন্দিয়াদা পুনখি)।

৪) মথংদনা মণিপুরদা চৎনরম্বা ইষ্টর্ন বেঙ্গোল ফ্রন্টিয়র এক্ট ১৮৭৩ (মীতোপ চঙবা য়াদবা) অসি ইন্দিয়ারোমদগী মী চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবা ইন্নর লাইন পার্মিট লৌথোক্লবা অন্দলোন অমুক তৌখি, মদুগী মহয়না হান্না চৎনরম্বা ইন্নর লাইন পার্মিট লৌথোকখি।

৫) মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুন্দুনা লৈরবা (ইন্দিয়া মচা ওইরবা) মতমদা কুমজা ১৯৬০ দা মণিপুর লেন্দ রিফোর্ম এন্দ লেন্দ রেভিন্যু এক্ট ১৯৬০, পার্লিয়ামেন্টনা শেমখি। মতমদুদা মণিপুরগী ওইনা ইন্নর মণিপুর এম পি ১, আউটরগী এম পি ১ লৈরম্বনি। (মতমদুদা টেরিটোরি কাউন্সিল ওইনা লৈরম্মী)। অসিগুম্বা আইন অমা শেম্বদা ইন্নর মণিপুরগী এম পি তূমদুনা নৎত্রগা উইদুনা লৈখিব্রা, তম্পাক্কী লম সেবগার্দ অমত্তা হাপ্পীখিদবা অসিনা মরম ওইদুনা তম্পাক্কী লম অসি ইন্দিয়া অমদি মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওই কয়ানা মচেৎ-মচেৎ ফক্তুনা লৌশিল্লকপদা আইন অমফাওবা লৈখিদবগুম তৌখি।

মরম অসিনা করিসু খঙজদবা অইবনা অখঙ-অহৈ, ওজা-গুরু, মহৈরোয়, ইমা-ইবেলশিংদা মরুওইনা চীংগী নুংশিজরবা ইচিন-ইনাওশিংনা খেন্নবা ৱাখল থাদোকপীদুনা আই এল পি এসপু শৌগৎপীয়ু অমসুং করিগুম্বা পামদবা য়াওরবসু মতুংদা শেমদোকসি। ঈহৌসি চঙশিনবদা য়াম্না দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ভাইওলেন্স য়াওদনা এসেমব্লিদা বিল পাস তৌরমদাইগী অদুম্না চরা হেনবা, সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌবনচিংবা তৌদুনা য়াম্না ঈং-তপ্পা হনবা লৈতবা, খাঙবা কনবা অমগা লোয়ননা চঙশিনসি। পোলিটিসিয়নশিংনসু পার্টিগী লীদরশিংদা পাউ ফাওনবিয়ু লোয়ননা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর, প্রাইম মিনিষ্টর, প্রসিদেন্ট উনদুনা অমদি মেমোরেন্দম মনম-মনম পীশিন্দুনা তকশিনবিয়ু। লোয়ননা মণিপুর লৈবাক্কী সেবা তৌবদা মাঙজিল থানা থবক পায়খৎপীরিবা লমদমসিগী লূপশিং অমদি মৈরা পায়বী ইমাশিংগী লূপশিংনা মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিনবীয়ু। দিল্লিদসু গ্রুপ গ্রুপ চৎতুনা হোম মিনিষ্টর, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি প্রসিদেন্ট উনবা ঙমদ্রগসু মেমোরেন্দম পীশিনবীদুনা কন্না তকশিনবা অমা মথৌ তাই। করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি মপান্দা লৈবা মণিপুরীশিংগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা ধারনা ফাওবা ফমসি।

চহী ৩৫/৪০ হেন্না দাবী তৌদুনা লাক্লবা মহৈরোয় কয়া শিবা, নাবা য়াওদুনা য়াম্না ৱানা হোৎনরবা মতুংদা মণিপুর এসেমব্লিনা পাস তৌখিবনি। অসিগুম্বা অকনবা ঈহৌ অসি মতম মাঙই, মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বদা, নোংমগী চরা তাঞ্জরিবশিংদা চাউনা চৈথেং পীরিবনি। মরম অসিনা ঐখোয় পূম্নমক কন্না হোৎনদুনা অরোইবা ওইহন্দুনা লৈঙাক অমসুং মীয়ামসু মাগী মাগী থবক্তা পূক্নিং চঙদুনা লৈবাক্কী চাউখৎনবা হোৎনবগী মথৌ তারে খঞ্জে। বিল অসি পাস তৌনবা মণিপুর লৈঙাক্লা পুকচেল শেংনা মতিং লৈনা হোৎনবিয়ু। লোয়ননা সিভিল সোসাইটিশিংনসু অকনবা দাবী তৌবগা লোয়ননা নেসনল মেদিয়াশিংদা পাউ ফোঙবীদুনা অকনবা প্রেসর পীরবতদা বিল পাস তৌগদৌরিবনি।

অতোপ্পা অমনা, ফোঙ-ফোঙ শারিবা ইশ্যু অমা পনবা তারবদি মৈতৈ/মীতৈ সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দনি হায়বা য়াই। আই এল পি এসকী ইশ্যু অসিগদি খেন্নবা খরা লৈ। সেদ্যুল ত্রাইবকী ইশ্যু অসিদি য়াম্না লুবা নৎত্রে হায়রবসু য়ারে মরমদি চহী ৩/৪ গী মমাঙদগী প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াবিদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা সর্ভে রিপোর্ট অমগা লোয়ননা কেবিনেট দিসিজন লৌরগা থারকউ হায়খ্রবনি। য়াবা অমসুং য়াদবা গ্রুপশিং ফম্মিন্নরগা খেন্নবশিং সোল্ব তৌনবা হোৎনবিয়ু নৎত্রবদি মৈতৈ/মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসিদি লিংজেল মান্নদবনি হায়খিবা তারবদি ঐখোয়গী ঈজৎ মাঙগনি অমদি অতৈ ফুরুপশিংদগী চাং তাগনি হায়জনীংই।

মরম অসিনা বিল অনীমক পাস তৌনবা হোৎনবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া অনীগী মথৌ ওইবনা আই এল পি এস অসিনা হান্না দিল্লিদা খোঙ থাংজিনবা ওইবনা ঐখোয় পূম্নমক মসিদা হান্না পূন্না তকশিনবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি থাজে। মথংদা ঐখোয় পূম্বনা মণিপুর লৈঙাক্তা হায়জদুনা মৈতৈ/মীতৈগী বিল অসি রিকমেন্দ তৌনবা হোৎনসি হায়জনীংই।

# থাজবিব্রা? থাজবিদব্রা?

**– লৌক্রাকপম কুল্লবিধু সিংহ –**

**মতম** অমগী ঐগী হৌখ্রবা পুন্সিদা ইশানা পাঙথোকখ্রবা অমসুং থেংনজরকপা অশেংবা খরা পাউদমজবনি। ইশানা ইশাবু থাগৎচবগী ৱাফমদি নত্তে। ঐঙোন্দা ঈশ্বরগী থৌজালদগী করিগুম্বা পীবিরকপা সর্ভাইভেলগী জঙ্গল অমসুং স্নোগী নোলেজ খরা ফংজে। মসি মথৌ তারক্ত্রবদি শীজিন্নদে। অদুগা কনাগুম্বা মীওই অমনা য়াম্না খঙনিংনা হংবিরক্লবদি খঙজবা খরদি অদুমক তান্নজে। চানবা ফংদ্রবা মতমদা করি করম তৌরগা অফংবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা লোয়ননা লৈরল্লিবা মফমদুগী জীবশিংনা করি চারগা হিংলি খন্দোকপা অমসুং শীজিন্নবা, মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা করম্না থোরকপা, মসিদগী করম্না কননবা তান্নজে। অখঙবা মীনা ঐবু ইকায়খুম্নবী।

কুমজা ১৯৭১ গী ৱারীনি। অরুনাচল প্রদেশকী কামেং ডিভিজনদা বোমদিলাগী মথক দিরংদা ২১ শুবা বট্টালিয়ন এস এস বিদা ঐহাক করিগুম্বা মরম খরগী টেম্পোররি দ্যুটি চৎচরুই। মফমদুদা ঐবু খঙবিবা খরনা য়াম্না ইকায়খুম্নবীরকই। লোয়ননা মখোয়গী কম্মান্দেন্ট সাহেবতা ঐগী মরমদা হায়বীবা য়াওমাল্লে। কম্মান্দেন্ট সাহেবনা ঐবু মখোয়গী লৈরিবা বট্টালিয়ন অদুগী এন সি ও/এস ও পূম্নমক্তা ঐগী লেকচরর অমা পীহনবগা লোয়ননা দেমোন্সত্রেসন কয়া অমা পীজখি। হায়রিবা নুমিৎসি কমেং দিভিজন্দা লৈবা মরু ওইনা মোম্পা ফুরুপশিংগী য়াম্না হরাউ তয়াম্বা নুমিৎনি। নুমিৎসিদা ২১ শুবা বট্টালিয়ন অসিদসু একজিবিসন অমা পাঙথোকখি। ঐসু টেম্পোররি দ্যুটি লোইরদুনা ইশাগী হেদ ক্বার্টরদা হল্লকখি। মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওই হায়না থাজনরিবা বুদ্ধিষ্টশিংগী লাইশঙ গোম্পা হায়বসি অরুনাচল প্রদেশকী টাৱাং কৌবা চিনাগী বোর্দর য়াম্না নক্লা লৈ। দিরংদগী টাৱাং ফাওবা চাওরাক্লা কিলোমিটর ৩০০ রোম লাপ্পী। গাড়ীনা চঙবা য়াবা মফম ওইদবদগী খোঙনা নুমিৎ মরিনিগুম্বা চৎলগা টাৱাং য়ৌবা য়াই। হৌজিক্তি গাড়ী বসনচিংবা চঙবা য়ারে। টাৱাং হায়রিবা অসিগী মনাক্তা ২১ শুবা এস এস বি বট্টালিয়নগী বোর্দর আউট পোষ্ট (বি ও পি) অমা লৈ। পোষ্টসিদা লৈরিবা পার্সনেলশিংগী মরু ওইবা দ্যুটিদি অয়ূক্কী/নুংথিলগী বোর্দরদা পেট্রোল্লিং চৎপা লোইননা অহিং/নুংথিল ওবজার্ভেসন পোষ্ট শেমদুনা দ্যুটি তৌবা, মসিগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী হেদ ক্বার্টরদা W.T. Sig, Situation report পীবা অসিনচিংবনি। বি ও পি অদুদা পোষ্টিং লৈবশিংগী মরক্তগী নোংমদি পেট্রোল্লিং ও পি দ্যুটিগীদমক্তা ঐগী মরুপ হেদ কন্সটেবল প্রফুলো সোনুৱাল অমদি মহাক্কী সেক্সনগী মথৌ ওইখি। হেদ কন্সটেবল সোনুৱাল মাগী পার্সনেলশিংগা লোয়ননা নুমিৎ ২/৩ নিগী ওইবা দ্রাই ফুদনচিংবা পুদুনা দ্যুটিগীদমক্তা খোঙশানখি। বোর্দর পরিংদা পেট্রোলিং চৎতুনা য়াম্না ফজনা থৱায় য়াওনা দ্যুটি পাঙথোকখি। পেট্রোলিং দ্যুটিগী নুমিৎ নীনি শুবা নুমিৎকী নুংথিলদা মফম চাবা জগা অমদা পোত্থারিঙৈদা খঙহৌদনা চিনাগী আর্মি ৩০ রোম মখোয়গী পোত্থারিবা মফমরোমদা লাক্লম্মী। চিনাগী আর্মিশিংদুগা মায়োক্লবদা পাঙ্গল ৱাৎপনা মরম ওইরগা অতোপ্পা মফম অমদা লোৎলগা লৈননবা হোৎনরমই। লাইবক থিবদি মমশিল্লবনিনা লোৎননবা হোৎনবদা লম্মুক্লবা মায়কৈরোমদা থোকখ্রে। উচিন-নাচিন্না চিনানা অহিংদুমা য়াম্না ৱানা লেনখ্রে। মথংগী নুমিৎতা অমুক্কা হেন্না মায়কৈ খঙদবরোমদা চৎখ্রে। অসুম্না নুমিৎ ৫/৬ নিগী মতুংদা মখোয়না পুবা রেদিমেট দ্রাই ফুদনচিংবা অদুসু লোইথোকখিরমই। চাননবা চীঞ্জাক লোইথোকখ্রে হায়দুনা চৎপদি লেপ্পমদে। মমৈথংদা পাঙ্গল শোন্থবগা লোয়ননা লৈক্রক অরাওবা ফুট ১০ রোম লুবদা তাশিন্দুনা শিবগা লোয়ননা অনাবা কয়া য়াওশিল্লকপদগী কনবা ঙমদনা মথং মথং লৈখিদ্রে। অসুম্না থা অনীরোম ফাজিল্লকপদগী উচিন নাচিন্না উন তাবা মফম লোইরদুনা অশুকপা জঙ্গল অমদা থুংলখি। জঙ্গলদুদগী অফংবা শা-ঙা ফাদুনা অমদি উহৈ-ৱাহৈনচিংবা চাদুনা নুমিৎ ৪/৫ নি ৱানা লেল্লবা মতুংদা পার্সনেল অনী অমসু লৈখিদ্রে। মমৈথংদা মখোয় অহুমতমক ঙাইহৌরমই। মখোয় অহুম্না ৱারবসু ৱানা লেপ্তুনা অসুম অসুম চৎপদগী মমৈথংদা যূম ৪/৫ খক্তং লৈবা খুল মচা অমা থেংনরমই। খুলদুদা য়াম্না ৱানা য়ৌরক্লমই। ৱা লান ঙাঙনবদসু ইফাও ফাওনরমদে। মমৈদা লাইবক ফবদগী ইন্দিয়ন আর্মিদা চহী খরা থবক তৌরুরগা তোক্লকপা মীওই অমা থেংনরমই। নুপাদু হিন্দী ফজনা ঙাঙলমই। মমৈদা ৱারী পূম্বা লীদুনা তম্বদগীদি নুমিৎ খরা পোত্থাদুনা কনখৎলক্লবা মতুং খুলগী মীওইশিংনা গাড়ী ফংবা মফম ফাওবা থিনবীরসি হায়নরমই। অসুম্না য়াম্না ৱানা জঙ্গল/স্নোদা ঐনা পীজখিবা লেকচরর লোয়ননা Traps snares (লু-লাংনচিংবা মখল) দেমোন্সত্রেসন কয়া শীজিন্নদুনা য়াম্না ৱানা হিংলবা মতুং হায়বদি থা অনীরোক হেল্লগা বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরদা থুংলখি। বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট অমদি পর্সনেলশিংনা কুইনা বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরদা হল্লক্তবনা শিখ্রে হায়দুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রবনি। চয়োল অমা চুপ্পা মখোয় অহুমবু মেদিকেল ট্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা থা ২/২ গী লিফ (ছুটি) পীদুনা ময়ূম ময়ূমদা চৎহনখি। অদুবু লাইবক থিবদি ঐগী মরুপ প্রফুলো সোনুৱালনা ময়ূমদা য়ৌরবা মতুংদা যূমগী লৈকায়গী মীওইশিংনা মাদি শিখ্রবনি, মাগী মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রবনি হায়দুনা মশাগী যূমদা চঙহন্দনা থম্বদগী শাউদুনা পুন্সি চুপ্পা ইয়ূমসিদা হল্লক্লরোই হায়রম্লগা বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরদা লাক্লমই। মতুং তারকপদা প্রফুলো সোনুৱালনা অরুনাচল প্রদেশকী ত্রাইবেল লৈশাবী অমগা লুহোংদুনা মশাগী পোক্লফম লমদম আসামদা শুংচৎ-চৎতনা অরুনাচলদা মপুন্সি লেনখি। অঙকপনি হিন্দুশিংগী লাইনীং চৎপশিংগী চৎনবীগী থৌওংসি। মসিবু থাজবা য়ারিব্রা? থাজবিব্রা থাজবিদব্রা অমুক্তংদি খন্থবীয়ু।